# য়ু এস না ইরাক দিলদগী তোকখিবনা ইন্দিয়াদা শোকহল্লক্কদবশিং কূপ্না য়েংশিল্লি



***ন্যু দিল্লি, মে ১১ ঃ***
য়ু এস এ না ইরান দিলদগী হন্দোকখিবনা ইন্দিয়াদা পীগদবা শাফুগী মতাংদা লৈবাক অসিনা মীকুপ নাহুম শিংনা চেকশিন্না য়েংশিল্লি।

এক্সতর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন রাজীব কুমারনা হায়, য়ু এস না ইরানগী দিলদগী হন্দোক্লগনি হায়না ট্রম্পনা লাওথোকখ্রিবা অদুগী মতূংদা ওইরক্কদবা ফিভমশিং অদু ইন্দিয়ানা কূপ্না য়েংশিল্লি।

"ঐখোয়না ওইরক্লিবা ফিভম অসি কূপ্না শেন্নরি। মসিনা মরম ওইরগা ঐখোয়গী ইন্টরেষ্টতা শোক্লক্কদবশিং অদুসু য়েংশিল্লি" হায়রদুনা মহাক্না মখা তারি মদুদি হৌজিকমক্কী ওইনদি ওইরক্কদবা ফিভম অদু হায়বদা ঙনমল্লি।

য়ু এস কী ফিরেপ অসিনা লৈবাক অসিনা পার্সিয়ান গল্ফ নেসনসশিং অমদি চবহার পোর্ট প্রোজেক্টতগী থাউ ইমপ্রোর্ট তৌবা অচৌবা অকায়বা থোক্লবা য়াই হায়বগী অকিবা পোক্লরিবনি।

ইরান অসি সাউদি অরাবিয়া অমদি ইরাক্কী হেক মথংদা ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী য়াম্না থাউ পীরিবা লৈবাক অমনি।

ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না ন্যুক্লিয়ার দিলদগী লৌথোক্লে অমদি কমপ্রেহেন্সিপ সেঙ্কসন থমজিল্লকপা অসিনা ইরানগা শেল থুমগী মরী লৈনবা লৈবাক খুদিংমক্তা শোয়দনা শোকহল্লক্কনি হায়বগী নুংনাংবা লৈনরিবনি।

"গভর্ণমেন্টনা ঐখোয়গী ইন্টরেষ্ট শোক্কদবশিং অদু ঙাক্লনবা থৌরাং খুদিংমক লৌখৎলি", হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ার্সকী স্পোক্স পার্সন্না হায়রি, য়ু এস কী সেঙ্কসন অসিনা চামবহার পোর্ট প্রোজেক্টতা অকায়বা পীগদরা হায়না হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা স্পোক্স পার্সন অসিনা হায়, য়ু এস না ন্যুক্লিয়ার দিলদগী হন্দোকখ্রবা মতূংদা ওইরক্কদবা ফলশিং অদু হৌজিক হায়বদা ঙনমল্লি। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ট্রম্পনা ২০১৫ দা ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসন্না সহি তৌরম্বা ন্যুক্লিয়ার দিল অদু হন্দোক্লে হায়না লাওথোকখিবনি। দিল অসিগী মখাদা তেহরান্না সেন্সিটিভ ন্যুক্লিয়ার এক্টিভিটিষ্টশিং লিমিট তৌনবা অদুগা ইন্টর্নেস্নেল স্পেক্টরশিংনা ন্যুক্লিয়ার ষ্টোলেসনশিং য়েংশিল্লবা মতূংদা ইকোনোমি সেঙ্কসন লৌথোকপা য়ানখিবনি।

ইরান্না জোইন্ট কম্প্রেহেন্সিফ প্লান্ট ওফ এক্সন য়ু এস, য়ু কে, রসিয়া, চাইনা, ফ্রান্স অমদি জর্মনিগা ইনখিবনি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ইন্দিয়ানসু দিল অদুদা সহি তৌখিবা লৈবাক পুম্নমক্তা ইরানগী ন্যুক্লিয়ার ইশু অসি শান্তি ওইনা ৱারেপ্পনবা লৌখৎফম থোকপা থবক পুম্নমক লৌখৎনবা অপিন তৌবা লৈখ্রবনি।

তেহরান্না ইন্টর্নেস্নেল কম্যুনিটিশিংগা ২০১৫ দা দিল সহি তৌনখ্রবা মতূং ইন্দিয়াগা ইরানগা য়ান-চে অমা সহি তৌনবসু লৈখ্রবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ২০১৬ তা তেহরান্দা চত্তুনা ইরানগা ইন্দিয়াগগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা খোঙথাং লৌখৎখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুদা চবাহার পোর্ট চাওখৎহনবগী মতাংদা য়ান-চে অমসুং সহি তৌখিবনি। মতূংদা ইন্দিয়া, ইরান অমদি আফগনিষ্টান্নসু পোর্ট অসিগী খূথাংদা পোৎ চৈ পুথোক পুশিন তৌবগী মতাংদা নাকল অহুমগী য়ান-চে অমসু সহি তৌনখ্রবনি।

ফেব্রুৱারী থাদা ইরানগী প্রসিদেন্ট হাসন রৌহানীনা ইন্দিয়াদা লাক্লুনা নাকল অনীগী মরী হেন্না চাওখৎহনবগী মতাংদা হীরম কয়াদা ৱা খন্নবসু লৈখ্রবনি। প্রসিদেন্ট অদুগী খোঙচৎ মনুংদা চবাহার পোর্টতা ইন্দিয়াগী পোৎ পুথোক পুশিন তৌবগী অয়াবা থা ১৮ গী পীবা য়াওনা য়ান-চে ৯ সু সহি তৌনখিবনি।

# নেপাল য়াওদনা শ্রীরাম মপূং ফাদে ঃ *প্রাইম মিনিষ্টর মোদি*

***জনকপুর (নেপাল), মে ১১ ঃ***
চয়োল কয়া কর্নাটকাদা ভোট খোমদুনা লৈরুরবা মতূংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি কাটমন্দুদগী কিলোমিটর ২২৫ লাপ্পা জনকপুরদা থুংখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর মোদি অমদি নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর কে পি শর্ম্মা ওলিনা পূন্না ইন্দিয়া নেপাল অনীগী মতরক্তা রিলিজিয়স টুরিজম চাওখৎহন্নবগী মীৎয়েংদা জনকপুরদগী রামগী পোক্লফমনি হায়না থাজনরিবা আযোধ্য অনীগী মরক্তা চেনগদবা সার্ভিস অমা লমথাখি।




প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর অমদি অতৈ লুচিংবশিংগা মিটিং কয়া পাঙথোকপগী মথক্তা মহাক্কী নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা নেপালদা লৈবা হিন্দুগী লাইফম অহুমসু চৎকদৌরি। খোঙচৎ অসি মহাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা চৎপা অহুমশুবনি।

জনকপুরদা পাঙথোকপা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিবু ওকপা থৌরম অমদা মীয়ামদা ৱা ঙাংলদুনা মহাক্না হায়, ইন্দিয়াগী য়ুগ্নোন্নবা লৈবাক্কা লৈনবা মরীগী পোলিসিদা নেপালনা ইহান হানবদা লৈ। "য়ুগ কয়াদগী আযোধ্য অমদি জনকপুরগী মরক্তা লৈনরক্লিবা মরী অসি কায়নবা শুকয়া য়াররোইদবনি" হায়না মোদিনা ফোঙদোকখি।

"নেপাল য়াওদনা ইন্দিয়াগী থাজবা মপূং ফাদে, নেপাল য়াওদনা ইন্দিয়াগী হিস্ত্রি মপূং ফাদে, নেপাল য়াওদনা ইন্দিয়াগী ধাম (লাইশঙ) মপূং ফাদে, নেপাল য়াওদনা ঐখোয়গী রাম মপূং ফাদে" হায়না বস লমথারবা মতূংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা চৎকদবা জনকপুর, কাথমন্দু অমদি মুক্তিনাথতা সেক্যুরিটিগী অকনবা খুজিন থৌরাং লৌখৎখি। লৈবাক অনীগী সেক্যুরিটি পার্সোনেল লীশিং ১১ হেনবনা খোঙচৎ অসি মীৎকুপ নাহুম শিংনা শেন্নরি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা রামায়ন সার্ক্যুট থিমগী মখাদা আযোধ্য, নন্দিগ্রাম, হামপি অমদি নাগপুর য়াওনা মফম ১৮ শক খঙদোকখ্রবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা কে পি শর্ম্মা ওলিগা মতেং পাঙবা অমত্তা য়াওদনা ঙসি অথেংবদা ৱারী শান্নগনি। মহাক্না নেপালগী প্রসিদেন্ট ভাইস প্রসিদেন্ট অদুগা মপূং ওইবা রাজনিটি দলগী লুচিংবশিংগসু উন্নগনি। কাটমন্দুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ফাওরবা পসুপতিনাথ মন্দিরদা লাই খুরুমগনি।

নেপালগী নোংপোক থংবদা লৈবা সানখুৱাসভাদা পায়খৎকদবা হায়দ্রো ইলেক্ট্রিসিটি প্রোজেক্ট অমসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ভিডিও কনফরেন্সিংগী খূথাংদা যাত্রা হুনগনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈবা সতলেজ জন বিদ্যুট নিগমনা নেপালগী প্রোজেক্ট অসি পায়গদৌরি।

# সুস্মা স্বারাজনা ম্যান্মারগী হেদ কাউন্সিলর ওং সান সু চি গা উন্নখ্রে

***নাইপিতাও, মে ১১ ঃ***
এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বারাজনা ঙসি ম্যান্মারগী ষ্টেট কাউন্সিলর ওং সান সু চি গা উন্নদুনা মায়কৈ অনীগী মরী হীরম কয়াদা কনখৎহন্নবগী মতাংদা ৱা খন্নখ্রে।

শ্রীমতী স্বারাজ নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা ঙরাং ম্যান্মারদা থুংলবা মতূংদা লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা রোহিংয়া রিফ্যুজিগী ৱাথোক য়াওনা অতৈ লমদম অসিগী ওইবা ৱাফম কয়া খন্ন-নৈনখি। "ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতা সুস্মা স্বারাজনা ষ্টেট কাউন্সিলর ওং সান সু চি গা লৈবাক অনীগী মরী হীরম কয়াদা কনখৎহন্নবগী মতাংদা কূপ্না খন্ন-নৈনখ্রে" হায়না এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিগী রজীব কুমারনা ট্যুট তৌরি।

ঙরাং মহাক্না ম্যান্মারগী প্রসিদেন্ট উ ৱিন মাইন্টকা উন্নখি। ম্যান্মারগী রখিন ষ্টেটকী রোহিংয়া মুস্লিম লাক্ষ ৭ হৌখিবা আগষ্ট থাদা থোকখিবা হিংশাগী ইরাং অদুদগী লৈবাক থাদোক্তুনা চেন্নখ্রবনি। মসিনা মরম ওইরগা বাংলাদেশতা রিফ্যুজিগী অচৌবা ৱাথোক অমা মায়োক্নদুনা লৈরিবনি। থৌদোক অসি য়ু এন না "ইথনিক ক্লিনচিং" নি হায়খ্রবনি।

রিপোর্ট অমগী মতূং ইন্না ম্যান্মারগী কম্মান্দর ইন চীফকসু সুস্মা স্বারাজগা উন্নখি হায়রি।

# শ্রীদেবী শিখিবগী থিজিন্নবা হায়জরকপা সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে

***ন্যু দিল্লি, মে ১১ ঃ***
হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদা ফিল্ম এক্ট্রেষ্ট শ্রীদেবীনা শিখিবগী মতাংদা থিজিনবিননবা হায়জরকপা অমা সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে। "ঐখোয়না প্রোব অদুদা খূৎ থিংজিনবা ঙমদে" চীফ জষ্টিস দিপক মিস্রানা পিটিস্নর ওইইরিবা ফিল্ম মেকর অমদা হায়খি।

ফিল্ম মেকর সুনিল সিংহনা মহাক্কী পেটিসন দিল্লি হায়কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রবা মতূংদা সুপ্রিম কোর্টতা অমুক হায়জরকখিবনি।

চহী ৫৪ শুরবা শ্রীদেবী দুবাইদা লৈবা লগজরি হোটেল অমগী স্যুট অমগী মনুংদা অঙকপা মওংদা ইরাক্লদুনা ফেব্রুৱারী ২৪ দা শিরম্বনি। মহাক মফম অদুদা ইমুং মনুংগী লূহোংবা অমা য়াওবা চৎপনি।

দুবাইগী ফোরেনসিফ রিপোর্ট অমগী মতূং ইন্না মহাক বার্দতপ মনুংদা গ্যান মাঙবদগী ইরাক্লদুনা শিবনি।

পেটিস্নরগী উকিল বিকাস সিংহনা কোর্টতা মরৈ য়েংখি মদুদি শ্রীদেবীনা ওমান্দা মহাক্কী মমিংদা লুপা ক্রোর ২৪০ গী ইন্সুরেন্স পোলিসি অমা য়াওরম্মী। পৈশা অদু মহাক্না য়ুনাইটেদ আরব ইমরেটতা শিদ্রবদি থাদোক্লোইদৌরি।

"ঐখোয়না চপ মান্নবা ৱাফম অসিদা পিটিসন অনী য়াখিদ্রবনি। ঐখোয়না মসিদা খূৎ থিংজিনবা ঙমদে" হায়না চীফ জষ্টিসনা অমুক হন্না হায়খি।

# খুঙ্গং অমদা চহী ৪০০ নুপী অমত্তা অঙাং পোক্ত্রি

***রাজগ্রাহ (এম পি), মে ১১ ঃ***
হৌখিবা চহী ৪০০ অসিদা মধ্য প্রদেশকী খুঙ্গং অমদা নুপী অমত্তা অঙাং পোকখিদ্রি। খুল অদুগী মীশিংনা থাজনৈ মদুদি খুল অসিদা শাপ অমা লৈবনা কনাগুম্বা নুপী অমনা খুল অসিদা অঙাং উন্নরবদি মমাদু শিবা নৎত্রগা অঙাং অদু শোয়নাইগনি।

ভোপালদগী কিলোমিটর ১৩০ রোম চৎলগা লৈবা রাজগ্রাহগী সঙ্ক শ্যামজি খুন্দা হায়রিবা অসি অইবা নিয়ম ওইনদি লৈবা নত্তে। অদুবু নুপী অমত্তা মচা পোকহন্দে। মখোয়না অঙাং উন্নবগীদমক খুল অদুগী ৱাংমদা চৎপা তাই। মসি মমা অমসুং মচাগী য়াইফনবনি হায়না খুঞ্জাশিংনা থাজনৈ।

খুল অদুগী সরপঞ্চ নরেন্দ্র গুজারনা হায়, খুল অসিগী নুপী চাদা ৯০ দি হোস্পিটালদা অঙাং উন্নৈ করিগুম্বা অথু অকায়দা অঙাং উন্নবগীদমক খুল অসিগী ৱাংমদা কা অমা শাদুনা থম্মী। য়াম্না কনবা নোংজু নুংশা মরক্তসু নুপী অদু অঙাং উন্নবগীদমকসু খুল অদুগী মপান্দা তঙাই ফদনা পুবা তাই। খুল অসিদা লৈরিবা খুঞ্জা খুদিংমক্না খুল অসিদা লৈ হায়রিবা শাপ অদু য়াম্না কন্না থাজনৈ। খুল অসিদা লাইশঙ অমা শাবগী মতাংদা নুপী অমনা অকায়বা পীরুবদগী লাইনা শাপ অসি তৌখিবনি হায়না থাজনৈ।

# ট্রম্প-কিম জোং উন সমিট সিঙ্গাপুরদা জুন ১২ দা পাঙথোক্লগনি

***ৱাসিংতন, মে ১১ ঃ***
অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমদি কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উন গী সমিট অদু সিঙ্গাপুরদা জুন ১২ দা পাঙথোক্লগনি হায়না লেপখ্রে। "ঐখোয় অনীনা মালেমদা শান্তি পুরক্লবা য়াম্না অখন্নবা তাঞ্জা অমা লৌনবা হোৎনগনি" হায়না য়ু এস কী লুচিংবনা ট্যুট তৌরি।



মার্চ থাদা মালেম পূম্বনা ঙকহনবা মওংদা দোনাল্ড ট্রম্পনা কিমগী বার্তন অদু অমুক্তঙা থোকখিদ্রিবা মওংদা হরাওনা লৌখিবনি। হান্নদি মখোয় অনী অসি অমনা অমবু ইকায়বা পীনবা কিহনবনচিংবা চত্থদুনা লাকখিবনি। মখোয় অনী উন্নবগী ফিভম অসি অৱাং কোরিয়া অমসুং খা কোরিয়া অনীনা ৱারী শান্নবা য়ানখ্রবা মতূংদা লাকখিবনি।

অৱাং কোরিয়ানা য়ু এস কী বন্দি অহুম থাদোরকখ্রবা মতূংদা তরাম্না ওক্লদুনা ট্রম্পনা পূং খরগী মতূংদা সমিটকী মফম মতম অসি লাওথোকখিবনি। য়ু এস কী সেক্রেটরীয়েট ওফ ষ্টেট মাইক পোমলিওনা ট্রম্প অমদি কিম অনী উন্নবগী খুজিন থৌরাং পূম্নমক শিন-লাংলবা মতূংদা বন্দিশিং অসি থাদোকপগী ৱাফম লাকখিবনি।

য়ু এস কী প্রসিদেন্ট অমত্তনা অৱাং কোরিয়াগী লুচিংবা অমত্তগা উন্নখিদ্রি। হ্বাইট হাউসনা হায়, অমেরিকান অহুম অদু সমিটকী মাঙওইননা থাদোরকখিবা অদু ট্রম্পনা য়াম্না অচৌবা মায় পাকপনি হায়না শীংথাই। "য়াম্না অর্থ লৈবা করিগুম্বা খরা তৌনবগী অফবা তাঞ্জা অমা ঐখোয়না ফংলে হায়না ঐনা তশেংনা থাজে", হায়না মহাক্না হায়খি।

লুচিংবা অনী অসিনা উন্নবা মতমদা মপূং ওইনা ২০১৭ তগী উংখৎনদুনা লাকখিবা অৱাং কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগামগী মতাংদা খন্নরবা য়াই হায়না থাজনরি।

কম্যুনিষ্ট অৱাং কোরিয়ানা মালেম পূম্বগী নিন্দা অমদি সেঙ্কসন কয়া লৈদুনসু ২০০৬ তগী মথং মথং ন্যুক্লিয়ার টেষ্ট তরুক পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। পিওংয়াংনা ন্যুক্লিয়ার প্রোগাম অসি মপূং ফানা থাদোকপা য়ু এস না পল্লি।

মিটিংগী মাঙওইননা কিমনা ন্যুক্লিয়ার টেষ্ট অমদি ইন্টরকন্টিনেন্টেন্ট ব্লাষ্টিক মিসাইল লোঞ্চ তৌবা তোক্লবা অমদি ন্যুক্লিয়ার টেষ্ট সাইট থিংজিন্নবা ৱাশকখ্রবনি।

অদুবু হীরম অসিদা নৈনবা কাঙবুনদি কিমনা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইশিং অসি লায়না থাদোক্কদবা মান্দে। "দি ন্যুক্লিয়ারাইজেসন" গী অর্থ অসি নাকল অনীনা তোঙান তোঙানবা মওংদা লৌনবা মাল্লি হায়রি।

পিওংয়াংগী মায়কৈদগী সমিট অসিগীদমক্তঙা ৱাহৈ অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রবসু অৱাং কোরিয়ানা খা কোরিয়াদা য়ু এস কী মিলিটরি পার্সোনেল লীশিং ৩০ লৈরিবা অসিগী মতাং অমদি লৈবাক অসিগী ইকোনোমিদা শোকহল্লিবা সেঙ্কসনশিংগী মতাংদা হৌদোক্লবা য়াই।

এপ্রিল থাদা পাঙথোকখিবা সমিট অমদা কিম জোং উন অমদি সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে ইন না কোরিয়ান পেনিনসুলাদা ন্যুক্লিয়ার ৱিপন লৈহন্দনবগী ৱাফম খন্নখ্রবনি। অদুবু মদুগী য়াম্না ময়েক শেংবা থৌরাংদি ফোঙদোক্লখিদে।

হৌখিবা ১৯৫৩ গী কোরিয়ান লান লোইখিবদগী হৌজিক ফাওবগী মনুংদা অৱাং কোরিয়াগী লুচিংবশিংনা খা কোরিয়াগী লমদা খোঙদাবা অসিনা লৈবাক অনীগী মরক্তা ইতিহাসিক ওইবা মওংদা পাউ ফাওদোক্লবা ঙম্বগী থাক অমদা লাকহনখিবনি।

# ইজরেলনা সাইরিয়াদা এয়ার ষ্ট্রাইক চথখিবা অদুবু ইরান্না নিন্দা তৌখ্রে

***তেহরান, মে ১১ ঃ***
হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা ইজরেলনা সিরিয়াগী মথক্তা এয়ার ষ্ট্রাইক চথখিবা অদু "সিরিয়াগী সোবেরিটিদা চাওনা শীংনবনি" হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা অহানবা ফোঙদোরকপা ৱাফমদা পল্লদুনা থৌদোক অদু অকনবা মওংদা নিন্দা তৌখ্রে। চথখিবা ষ্ট্রাইক অদু চহী তরাগী মনুংদা ইজরেলনা সাইরিয়াদা চথবা লানগী থৌওং অমনি হায়রি।

ইজরেলনা হায়, ইরানগী ফাইতরশিংনা এটেক্ট অদু চথখিবনি। ইরান্না ৱাফম অদুগী মতাংদা হোয়সু হায়দে মাইসু হায়দ্রি। ইরানগী ট্রুপ চা কয়া সাইরিয়া মিলিটরিগী এদভাইজর ওইনা লৈরি। ইরান্না খূৎলাই অমদি পৈশাগী মতেং পীবা মিলিসিয়ামেন কয়াসু লানহৌবা ফোর্স থেংননবা সাইরিয়াগা থবক তৌমিন্নরি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা গোলান হাইটতা চথখিবা এটেক্ট অদুগী পাউখুম ওইনা ইজরেলনা হায়, মসিগী ফাইটর জেটশিংনা সাইরিয়াদা লৈবা ইরানগী মিলিটরি ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংদা এটেক্ট তৌখি। মসি ২০১১ দা হৌখিবা সাইরিয়াগী সিভিল ৱারদগী হৌজিক ফাওবদা খ্বাইদগী চাওবনি।

ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই বহরাম ক্কাসেমিনা ইরান ষ্টেট টিলিভিজন্দা হায়, "ইরান্না সাইরিয়াদা চথরিবা থবক অসি য়াম্না কন্না নিন্দা তৌই। থৌওং অসিদা ইন্টর্নেস্নেল কম্যুনিটিনা তুমিন্না লৈবা অসিনা ইজরেলগী থৌওং অসি পূক্লীং থৌগৎপদৌনা তৌই। সাইরিয়ানা মশা ঙাকথোকচনবগী রাইট খুদিংমক লৈ" হায়রদুনা ক্কাসেমিনা মখা তারি মদুদি চথখিবা লালোং অদু সাইরিয়াদা লান হৌরিবা গ্রুপ অদু শৌগৎপা মাল্লি।

ইরান অমসুং রসিয়ানা শৌগৎপা সাইরিয়াগী গভর্ণমেন্টনা লানহৌবশিং অদু হৌখিবা চহীদা লাকশিনবা ঙমখ্রবনি হায়রি।

# নোংলৈ নুংশিৎ সাইক্লোন্নচিংবা মীপুম খুদিংগী মোবাইল ফোন্দা মাঙজৌননা খঙহন্নবা থৌরাং তৌরি

***ন্যু দিল্লি, মে ১১ ঃ***
নোংলৈ নুংশিৎ, উফুল য়াওবা নোংলৈ, সাইক্লোন অমদি অতৈ অতোপ্পা শাথিবা নোংজু নুংশাগী ফিভম থোক্লবা য়াবা মফমশিং অদুদা লৈবা মীশিংগী মোবাইলদা মাঙজৌননা খঙহন্নবা টেক্নোলোজি প্লেটফোর্ম অমা ইন্দিয়ানা দিভলপ তৌরি।

অহানবগী ওইনা নেস্নেল দিজাষ্টরস মেনেজমেন্ট ওথোরিটিনা প্রপোজ তৌরিবা কমন এলার্টিং প্রোতোকোল অসি ইন্দিয়া মেত্রোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা দিল তৌগনি হায়না সেনিয়ার ওফিসার অমনা হায়।

মসি মতূংদা মথং মথং সেন্ত্রেল ৱার্তর কম্মিসন্দগী মাঙজৌননা ঈশিং ঈচাউ লাওথোকপা, ইন্দিয়া নেস্নেল সেন্টর ফোর ওসিল এন্দ ইনফোর্মেসন সার্ভিসেসকী খূথাংদা সমুদ্রগী ফিভম মাঙজৌননা পুথোকপগী থবকসু পায়খৎকনি।

সেনিয়ার ওফিসার অমনা হায়, টেক্নোলোজি অসিনা ইন্দিয়ান মেত্রোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী য়াম্না চুম্লবা ঈশিং নুংশিৎকী ফিভমবু 'নাওকাষ্ট ৱার্নিং' ওইনা খঙহনগনি।

"কমন এলার্ট প্রোতোকোল অসি মীয়ামদা ইন্টর্নেস্নেল ষ্টেন্দার ৱেদরগী পাউ ফংহন্নবা হোৎনবা ৱার্ল্ড মেত্রোলোজিকেল ওর্গনাইজেসনগী ফিলোসোফি অদুগী শরুক অমনি" হায়না ইন্দিয়ান মেত্রোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তর জেনরেল কন্দুরি জয় রাম রমেজনা হায়রি।

ৱার্ল্ড মেত্রোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়, কমন এলার্ট প্রোতোকোল অসি শাথিবা ঈশিং নুংশিৎকী ফিভমশিং, য়ুহার হাবা, সুনামি অমদি পব্লিক হেটনচিংবা পূম্নমক শেল ফোন, রেডিও, টিলিভিজন অমদি ইন্টরনেটতা বেজ তৌবা দিতেল কম্মুনিকেসন নেটৱার্কশিংদা ফংহন্নবা দিজাইন তৌবনি।

ইন্দিয়ান মেত্রোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হান্নরা নাওকাস ৱার্নিংশিং লৈবাক অসিগী তাউন ৩০০ দা য়ৌহনবা ঙল্লিবনি। উফুল য়াওবা নোংলৈনা রাজস্থান অমদি উত্তর প্রদেশতা থা অসিগী হৌরকপদা মী ১০০ গী মথক্তা হাৎখ্রবা মতূংদা মফমশিং অদুদা নোংলৈ নুংশিৎ মাঙজৌননা লাওথোক্লবা তৌরাং তৌখ্রে।

# কোঙ্গোগী কসাইদা অঙাং ৪০০০০০ চরা হেল্লে

***ৱাজাভিল্লে, মে ১১ ঃ***
দি আর কোঙ্গোগী কসাই রিজন্দা য়ূম লীশিং কয়া লৈফম চাফম খঙদনা কোয়চেন চেন্নরে। চীঞ্জাক অমদি ঈশিং ফংদবনা মরম ওইদুনা কয়া অমা শিখ্রে।

কসাই রিজন অসি মতম অমদা য়াম্না চাওখৎপা অমদি শান্তি ওইবা দি আর কোঙ্গোগী লম অমা ওইরম্লবসু ২০১৬ তগী হিংশা লৈবা লম অমা ওইরক্লি।

দিসেম্বর ২০১৭ তা য়ু এন না দি আর কোঙ্গোগী ক্রাইসিস অসি য়েমেন, সাইরিয়া অমদি ইরাক্কুম্না খ্বাইদগী ৱাংবা ইমার্জেন্সি লৈরে হায়না লাওথোকখ্রবনি।

কোঙ্গোগী হ্যুমেন ক্রাইসিস অসি সাইরিয়াদগী হেন্না শাথি। কসাইদা আর্মিনা মীশিং তুরেলদা থাদে হায়রি।

য়ু এন গী চিলদ্রেন এজেন্সি য়ুনিসেফনা কসাইদা য়ু এস দোলর মিলিয়ন ৮৮ পীনবা অপিল তৌখ্রে। য়ুনেসেফকী ৱাঙাংলোয় খৃষ্টোফে বৌলিরাক কসাইদগী হল্লকপদা ঙাইরিবনি। "ঐনা মফম অদুদা উরকপা অদু শাথিনা নুংঙাইতে" হায়না মহাক্না বি বি সি দা হায়খি। বৌলিরাক্না হায়, মহাক্না হোস্পিটাল অহুম য়েংলকপদা অঙাংশিংনা চনিঙাই থক্লিঙাই লৈতবদগী মশা শাথিনা শোকপা উরকখি। মহাক্না নুমিৎ খরনিগী মতূংদা হল্লকপদা অঙাং কয়ামরুম শিখি। "ঐখোয়না অঙাংশিং অদু চরা হেন্দুনা শিগদৌরে হায়বা নত্তে। ঐখোয়না হায়বসি অঙাংশিং অসি হান্নরা শিরে। মখোয় তুমিন্না মোংশোঙদা শিরে" হায়না মহাক্না মখা তাখি।

খূৎ থোক্লরিঙৈদা চেল্লুরবা খুঞ্জাশিং মখোয়গী মাঙ-তাকখ্রবা খুঙ্গংশিংদা হল্লক্লখ্রে। অদুবু লৌ-শিংদি অমত্তা উহৌদ্রে। ওর্গনাইজেসন অসিনা হায়, মসিনা চীঞ্জাক পীজফম সেন্টশিং, ত্রেন মেদিকেল ষ্টাফশিং অমদি আর্মিনা নমদুনা সিফাই খলহনখ্রবা অঙাংশিং সপ্পোর্ট দরকার ওই। হৌখিবা ২০১৬ তা গভর্ণমেন্টনা হান্নগী লুচিংবা কামিনা নাসাপুপু মশক খঙউ য়াদনা মখোয়গী মী অমা হাপচিল্লকপদগী লানহৌ অমা থোকখিবনি।


## GAS TODAY

**Misao Gas**
Booking : 28/03/18
Valid : 15/03/18
Stk : 306/19kg 50
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**J. Rongmei Gas, Wangoi**
Booking : 18/04/18
Valid : 17/04/18
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 04/05/18
Valid : 25/05/18
Stk : 306/19kg Available
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**K & K Indane**
Booking : 10/04/18
Valid : 01/04/18
Sl. No. 240
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**RBD Gas**
Booking : 03/04/18
Valid : 21/03/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Khongnang Gas, Ningthoukhong**
Booking : 07/04/18
Valid : 05/04/18
Sl. No. 2902
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Canchi Gas**
Booking : 06/04/18
Valid : 04/04/18
Stk : 306/19kg 180
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 03/04/18
Valid : 20/03/18
Stk : 918
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Sawombung Indane**
Booking : 02/04/18
Valid : 27/03/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**M M Gas**
Booking : 31/03/18
Valid : 21/03/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 761.50/-

**Imphal LPG**
Booking : 23/04/18
Valid : 01/12/17
Sl. No. 9850/19kg 100
Delivery at Heinoupok Godown


## সনা-সুদোকু -১১৬৩ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 9 | 6 | 3 | 8 | 2 | 5 | 7 | 1 |
| 3 | 1 | 2 | 7 | 9 | 5 | 4 | 8 | 6 |
| 5 | 8 | 7 | 1 | 6 | 4 | 9 | 3 | 2 |
| 9 | 6 | 4 | 8 | 1 | 3 | 7 | 2 | 5 |
| 1 | 2 | 3 | 6 | 5 | 7 | 8 | 9 | 4 |
| 8 | 7 | 5 | 2 | 4 | 9 | 6 | 1 | 3 |
| 2 | 3 | 9 | 4 | 7 | 6 | 1 | 5 | 8 |
| 7 | 4 | 1 | 5 | 3 | 8 | 2 | 6 | 9 |
| 6 | 5 | 8 | 9 | 2 | 1 | 3 | 4 | 7 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1164**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 9 | | | |
| | 5 | | | 3 | | | 4 | |
| 3 | | | 7 | 1 | | | 9 | |
| 2 | 9 | | | | | | | |
| | | | 2 | 9 | 3 | | 6 | |
| 7 | | 1 | | | | | | |
| 6 | 4 | | | | 8 | 9 | | 5 |
| 1 | | | | | 5 | | | 2 |
| | 3 | | | | | | | 7 |